
# লোরো স্পোর্টস এৱার্দতা ইন্দিয়াগী টেন্দুলকর, অর্জেন্টিনাগী মেসি, বৃটেনগী হেমিল্টন অমসুং য়ু এসকী সাইমোন বাইল মনা ফংখ্রে



বির্লিন, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী): মালেমগী শান্নরোয়শিংদা পীবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইবা লোরো স্পোর্টস এৱার্দতা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় সচিন টেন্দুলকরনা কুমজা ২০১১দা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ লৌখিবা অদুদা খ্বাইদগী ফজবা স্পোর্টিং মুভমেন্টকী মনা ফংখি। থৌরম অদুদা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল্লর লিওনেল মেসি অমসুং বৃটেনগী এফ ১ কার লমজেলগী ড্রাইভর লিৱিস হেলমিল্টননা মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা স্পোর্টসমেনগী মনা লৌমিন্নখিবগা লোয়ননা য়ু এস এগী জিমনাষ্ট সাইমোন বাইলসনা মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা নুপীগী শান্নরোয় অদুগী মনা ফংখি।

মালেমগী ক্রিকেটকী লমদা মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ইন্দিয়াগী বেটচমেন সচিন টেন্দুলকরনা কুমজা ২০১১দা ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবদা ইন্দিয়াগী টিমবু মহাক্কী ফজবা বেট্টিংনা মপুং ওইরগা লোরো এৱার্দকী খ্বাইদগী ফজবা স্পোর্টিং মুভমেন্টকী মনা অদু ফংখি।

চহী অদুদা টেন্দুলকরনা মহাক্কী ইন্টর্নেসনল ক্রিকেটকী ৬শুবা অমদি অরোইবা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদুনা ফাইনেল মেচতা টিম অদুগী কেপ্টেন ওইখিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা স্রিলানকাগী বোল্লর নুৱান কুলসেকরাগী বোল অদুবু সিক্স য়ৈদুনা মায় পাক্তুনা ৱর্ল্ড কপ লৌখিবগী তাঙ্কক অদুনা লোরো এৱার্দকী মনা অদু ফংখিবনি।

ঙরাং বর্লিনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টেন্নিসকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় বোরিস বেকরনা টেন্দুলকর মমিং লাউথোক্লবা মতুং ট্রোফি অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট কেপ্টেন ওইরম্বা ষ্টিব ৱোগনা টেন্দুলকরদা শীন্নখি।

মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা নুপা শান্নরোয়গী মতাংদা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল শান্নরোয় হৌজিক হৌজিক্কা স্পেনগী ক্লব বর্সেলোনাদা শান্নরিবা লিওনেল মেসি অমসুং বৃটেনগী এফ-১ কার রেসকী মমিং লৈরবা ড্রাইভর লেৱিস হেমিল্টননা জোইন্ট ৱিন্নর ওইখি।

মখোয় অনীনা লোরো ৱর্ল্ড স্পোর্টসমেন ওফ দি ইয়রগী মনা পুন্না ফঙমিন্নবা অসি এৱার্দ অসিগী পুৱারীদা চহী ২০গী মতুংদা অহানবা ওইরি। মখোয় অনীমক তোঙান-তোঙানবা লমশিংদগী পীরকপা ভোট মশিং চপ মান্ননা ফংখিবদগী য়েৎনবা লৈতনা জোইন্ট ৱিন্নর ওইহনখিবনি। পনবা য়াই, মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী ৱর্ল্ড প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ৬লক ফংবা ঙমখ্রবা মেসি অমসুং লেৱিস হেমিল্টননা গোল্ফকী শান্নরোয় টাইগর ৱুদস, কেনিয়াগী মরাথোনর ইলুদ, কিপচোগে, টেন্নিসকী রাফেল নদাল অমসুং মোটো গ্রান্দ প্রিগী চেম্পিয়ন মার্ক মার্কিসতগী ভোট মশিং হেন্না ফংদুনা মনা অদু ফংখি।

লোরো ৱর্ল্ড স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি ইয়রগী মনা অদু য়ু এস এগী জিমনাষ্ট সাইমোন বাইলসনা ফংখি। মহাক্না হৌখিবা চহী ২০১৯দা ৱর্ল্ড জিমনাষ্টিক চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল ৫ ফংবা ঙমখি। মহাক্না লোরো ৱর্ল্ড স্পোর্টস ৱিমেন ওফ দি ইয়রগী মনা অসি চহী ৪গী মনুংদা ৩লক শুবা ওইনা ফংখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিকচাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চহী ২৭কী মতুংদা ইন্দিয়াগী সুনিল কুমারনা গ্রেকো-রোমান এসিয়ন গোল্ড মেদল ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা সিনিয়র এসিয়ন নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা য়ুম্বু লৈবাক অসিগী রেষ্টলর সুনিল কুমারনা গ্রেকো-রোমান কেটগরিদা চহী ২৭কী মতুংদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ঙসি রেষ্টলর সুনিল কুমারনা কিলোগ্রাম ৮৭কী ফাইনেলদা কিরগিস্থানগী রেষ্টলর অজাদ সালেদিনোবপু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী চহীদা সুনিল কুমারনা হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

কুমজা ১৯৯৩দা ইন্দিয়াগী গ্রেকো-রোমান রেষ্টলর পপু যাদবনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগরিদা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুগী মতুং এসিয়াগী রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা ঙসি সুনিল কুমারনা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুনা অহানবা ওইরি।

ন্যু দিল্লিগী কে দি যাদব ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা সিনিয়র নেসনল রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী কে জি ৫৫গী কাংলুপ্তা নহা ওইরিবা রেষ্টলর অর্জুন হলাকুরকিনা সাউথ কোরিয়াগী দোং হিয়োক ৱোনবু পোইন্ট ৭৪দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি।

# ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২০গী অহানবা মেচ গুৱাহাটিদা শান্নরগনি অদুগা ফাইনেলনা মুম্বাইদা পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী): চহী অসিগী নবেম্বর ২দগী হৌরগা ২১ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী অহৌবা মেচ অদু অৱাং নোংপোক ষ্টে অমা ওইরিবা অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা শান্নরগনি অদুগা ফাইনেল মেচ অদুনা মুম্বাইদা শান্নরগনি।

ৱাফম অসি ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ৱিরেন রিজিজুনা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা ফিফাগী চিফ ৱুমেন্স ফুটবোল ওফিসার সরাই বেরমেননা লাওথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল অমসুং ফিফাগী হেদ ওফ য়ুঠ টুর্নামেন্ট ওইরিবা রোবার্টো গ্রাসিসু শরুক য়াখি।

ফিফাগী চিফ ৱুমেন্স ফুটবোল ওফিসার ওইরিবা সরাই বেরমেননা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা অতোপ্পা ৱর্ল্ড কপশিংদা লৈরিবা ফুটবোল শান্নফম ৪গী চৎনা কাংলোন অদুদগী হেন্দোক্তুনা শান্নফম ৫গী খুদোংচাবা ফংগদৌরি।

নবেম্বর ২দা গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি এথলেটিক ষ্টেদিয়মদা ৱর্ল্ড কপ অদুগী অহৌবা মেচ শান্নগনি। মহারাষ্ট্রগী নাবি মুম্বাইদা লৈবা দি ৱাই পতিল ষ্টেদিয়মদা ফাইনেল মেচ শান্নগনি। লোয়ননা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা মেচশিং শান্নগদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিং অদুদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকতা সিটিগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম, গুজরাটকী অহামেদবাদতা লৈবা ট্রান্সষ্টেদিয়া ষ্টেদিয়ম অমদি ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মনি।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেনন রিজিজুনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপকী স্লোগান লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবদা মফম ৫ ৱর্ল্ড কপকী মেচশিং শান্নফম খনখিবদা মফম অদুগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী পোন্টেন্সিএল লৈবা মফম খনগৎলগা অমদি স্পোর্টিকী ফেসিলিটি লৈবা মফম য়েংলগা মেচ শান্নগদৌবিরনি হায়খি।

# এ আই এফ এফ ব্রোঞ্জ লেবেল ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী): এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা শকখঙদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ফেদরেসন (ওল ইন্দিয়া ফুটবেল ফেদরেসন)বু গ্রাস রুটস চার্টর ব্রোঞ্জ লেভেল মেম্বরসিপ পীখ্রে।

এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসতা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী ইরকখিবা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৪দা এ এফ সী গ্রাসরুটস চার্টরগী ব্রোঞ্জ লেবেল মেম্বরশিপ ওইনবা থারকখিবা এপ্লিকেসন অদু য়ারে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

কুসল দাসনা এ এফ সী ব্রোঞ্জ লেবেল মেম্বরসিপ ফোর গ্রাসরুটস ৱার্ক ফংলবা মতুং ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফেদরেসন অসিনা গ্রাসরুট লেবেলদা পায়খৎলিবা ফুটবোল মশান্না অসি চাওখৎননবা থবক থৌরমশিং অদুবু শকখঙদুনা মেম্বরসিপ অসি পীরকপনি হায়রি। কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৩দা এ আই এফ এফনা গ্রাসরুট লেবেলদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপগী তোঙান-তোঙানবা রিকোগনেসন ফংখ্রবনি।

### ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এস তোম্বা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এস ৱাই সী ককৱা, নন্দো এফ সী অরাপতি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব, হিয়াংথাংনা শীন্দুনা কে এস ৱাই সী শান্নবুঙদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ দাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস ৱাই সী ককৱানা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংবু পাঞ্জল ৩-১দা অদুগা নন্দো এফ সী অরাপতিনা অদি এফ সী হিয়াংথাংবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ দাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০২০গী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই সী ককৱানা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। এস ৱাই সী ককৱাগী পাঞ্জলশিং অদু এন নাওবা, থেবা অমদি দেমপাইনা চনখি। মায়থীহৌরবা কে এস ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা রোনাল্ডনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মচতা নন্দো এফ সীনা অদি এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা নন্দো এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু চিংখৈ অমদি সুর্জকান্তনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা অদি এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু নাওবা জর্সি নম্বর ১২না চনখি।

# কুমজা ২০২১ জুনিয়র মেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ইন্দিয়ানা ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮(এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ)না ঙরাং লাউথোকখিবা মতুং ইন্না কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র মেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্বু ইন্দিয়ানা ওইরগনি।

হোক্কিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র মেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপ অদুগী মতম অকক্নবা লেপ্পা লৈখিদ্রবসু চহী অদুগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা চহী ২১ মখাগী মালেমগী হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা টিমশিংনা লম্বা তৌনগনি। নীশিং য়াই, কুমজা ২০১৮দা ওরিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা হোক্কি ষ্টেদিয়মদা সিনিয়র মেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপ মায় পাক্না য়ুম্বু ওইখি। মদুগী মমাঙদা কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়াগী উত্তর প্রদেশ ষ্টেটকী কোনুং লখনৌদা নুপাগী জুনিয়র হোক্কি ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি।

কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র হোক্কি ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্টতা পুন্না টিম ১৬না লম্বা তৌনগনি। মদুদা য়ুরোপ্তুগী টিম ৬, য়ুম্বু ইন্দিয়া য়াওরগা এসিয়াদগী টিম ৪, অফ্রিকাদগী টিম ২, ওসিনিয়াদগী টিম ২ অমসুং পান অমেরিকাদগী টিম ২নি। অপুনবা টিম ১৬কী মনুংদা য়ুরোপকী টিম ৬-জর্মনি, ইংলেন্দ, নেদর্লেন্দস, স্পেন, বেলজিয়ম অমসুং ফ্রান্স মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। মমাঙগী টাইটল ইন্দিয়ানা লৌবা ঙমখি।

# মহৈরোয় লুপ ৬কী ওইবা ইনভাইটেস্নল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): মণিপুর প্লেয়র্স দে (শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ)কা মরী লৈননা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না শীন্দুনা মহৈরোই লুপ ৬কী ওইবা ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না এম এস এফসী পব্লিসিটি সেক্রেটরী সুন্দর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী ১৪দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরনা গোল্ড ৪৯, সিলভর ২৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩৯ লৌদুনা পুন্না মেদল ১১২ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন লৌখিবদা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মতমদুগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ৱাই নিপামচানা ফেব্রুৱারী ২৫বু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগীদমক কথোক্লম্বা নুমিৎ অমনি হায়না মণিপুর প্লেয়র দে হায়না পাঙথোকপা হৌদোকপীরম্বনি। অসিগুম্লবা মালেমগী মীয়ামদা মণিপুর কৌবা লমদম অমা লৈরি হায়দুনা উৎপদা চাওনা থৌদাং য়াবতা নত্তনা মণিপুর মীয়ামগীদমক কথোক্লবা শান্নরোয়শিং অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নুমিৎ অসিবু এম এস এফনা হৌখিবা চহীশিংদা পাঙথোকপগুম চৎলিবা চহী অসিদসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি হায়না ফোঙদোরিক্লি।

ইনভাইটেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিদা এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমদি এ আই এম এসকী মহৈরোয় লুচিংবশিং অমদি থৌমীশিংতনবা শেম্বা ফুটবোল টিমশিংনা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসি থা অসিগী ২০দগী হৌরগা লীগ মেচ অমদি সেমিফাইনেল মেচশিং অসি দি এম য়ুগী কেম্পকী প্লেগ্রাউন্দদা শান্নরবা মতুং ফাইনেল মেচনা থা অসিগী ২৫ প্লেয়র্স দে নুমিৎতা মাইব খুল য়ুনিয়ন ক্লব (এম য়ু সী) প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী নুপা ফিল্ম আর্টিষ্টশিংগা মহৈরোয় লুপ তরুক্কী লুচিংবশিংগা অমদি নুপী ফিল্ম আর্টিষ্টশিংগা মহৈরোয় লুপ তরুক্কী লুচিংবীশিংগী ওইবা একজিবিসন ফুটাবোল মেচ অমসু পাঙথোক্কনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা অমফানা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

### ষ্টেট ওপন ইনভাইটেসন কেরোম টুর্নামেন্ট ২০২০

# ঙাম্থোইবনা এম মোনিকা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসন (এ এম সী এ)গী লমজিং মখাদা এথলেটিক স্পোর্টস এসোসিএসন, শীংজমৈ কোংবা রোদ, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা অকাম্পাৎতা লৈবা জয় কেরোম হাউসতা চথুরিবা ষ্টেট ওপন ইনাভাইটেসন কেরোম টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এল ঙাম্থোইবনা মোনিকাবু পোইন্ট ১৯-২৩, ২৫-০, ২০-১৯দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা সুরেননা বন্তি লাইশ্রমবু পোইন্ট ১৬-১৩, ২৩-৮দা; মাইকেলনা বিশ্বানাথপু পোইন্ট ৫-২৫, ১৯-১৬, ১৬-৫দা; য়াইমম্নানা মোমোবু ১১-২৫, ২৫-০৫, ২৫-০৬তা; ননাওনা মোইরাংস্নাবু ২৫-১৪, ১৩-২৫, ২৩-৯দা; অদিত্যনা জৱাদপু ২৫-৪, ২৫-৪দা; রবিনা ইতোম্বীবু ২৫-৬, ১৯-২১, ২৫-০দা মায়থীবা পীখি। তোমিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 144/SDC/IW (P) of 2020**

Sinam Ibomcha Singh S/o (L) Shaknou Singh of Sagolband Loukham Leirak. - Petitioner

-Vrs-

1. (i) Sinam (N) Akasini Devi D/o (L) Gulamjat Singh of Kiyamgei (2) (ii) Sinam (N) Memcha Devi D/o (L) -do- of Meino Leirak (3) (iii) Sinam (N) Pramodini D/o (L) -do- of Uripok Tourangbam Leikai (4) (Late) Sinam Basantakumar Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Thangmeiband Lourung Purel Leikai (5) (Late) Sinam Gulamjat Singh S/o (L) Hera Singh of Loukham Leirak (6) (Late) Sinam Shaknou Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Loukham Leirak. *...Opposit Parties*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

18/2/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ১৫০ (অরিবা), ৩৭৫ (অনৌবা), দাগ নং ৩৮০গী পোইন্ট ০.২৭০০৮ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদা য়াওবা কো-পাট্টাদার নং (৪), (৫) অমসুং (৬) অসি অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মৃ: কো-পাট্টাদার নং (৪) গী শরুক্তা দখলগী মতুংইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: কো-পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমসুং মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৭/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

HL-P/6433/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 143/SDC/IW (P) of 2020**

1. Sinam (O) Promila Devi W/o S. Indrakumar Singh of Sagolband Loukham Leirak.
2. Sinam Kiran Singh S/o (L) Nodiya Singh of -do-
3. Kolom Chaoba Devi W/o (L) Churamani Singh of -do- -Petitioners

-Vrs-

1. (Late) Sinam Saknou Singh S/o Gulamjat Singh of Loukham Leirak.
2. Khangembam Chingkhei Meetei S/o Khangembam Manaobi Meetei of Mayang Langjing Tamang. *...Opposit Parties*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

18/2/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ১৫৮ (অরিবা), ৩৭৬ (অনৌবা), দাগ নং ৩৮২গী পোইন্ট ০.২৮০০০ একর চাউবা ইঙ্খোলগী লম অসিদগী মৃ: কো-পাট্টাদার নং (১) গী শরুক্তা দংকারি নং (১), (২) না মৃ: পাট্টাদার নং (১) মকুবোক অমদি মপম্থৌগী স্বর্ত্তদা অদুগা দংকারি নং (৩) না দখলগী মতুংইন্না মথংশিংনা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদার (১) গা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৭/২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

HL-P/6433/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 109/AS&SO- III Dt. 16/2/2020**

1) Kusum Sahu W/o (Late) Chunu Prasad Sahu of Telipati.
2) Chandan Prasad S/o (Late) -do- of -do-
3) Chanchal Prasad S/o (Late) -do- of -do-
4) Niranjan Prasad S/o (Late) -do- of -do-
5) Rahul Prasad S/o (Late) Mangal Prasad of Telipati.
6) Parth Prasad S/o (Late) -do- of -do-
7) Joshila Devi W/o (Late) Sagar Prasad of -do-
8) Kusum Devi W/o Manoj Prasad of -do-
9) Kushal Sahu S/o Manoj Prasad of -do- *...Petitioners*

-Vrs-

(Late) Sukhan Ram Teli S/o (Late) Ashilal Ram of Telipati. *...O.P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, the 18/02/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১০০- টেলিপটি পাট্টা নং ৫৩/অং (অরিবা), ২০/৯১ (অনৌবা), দাগ নং ১৩৪, এরিয়া ০.০৬ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Sukhan Ram Teli মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/২/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

HL-P/6431/19 **Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-III, Manipur**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 142/SDC/IW (P) of 2020**

1. Pheiroijam Anandakumar Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Sagolband Khamnam Leirak.
2. Pheiroijam Yaima Singh S/o (L) -do- of -do-
3. Pheiroijam Rojit Singh S/o (L) -do- of -do-
4. Pheiroijam Bimol Singh S/o (L) -do- of -do-
5. Pheiroijam Lakhikanta Singh S/o (L) -do- of -do-
6. Pheiroijam Bidyachandra Singh S/o (L) -do- of -do-*...Petitioners*

-Vrs-

(1) (Late) Pheiroijam Ibotombi Singh S/o (L) Bino Singh of Khamnam Leirak.
(2) Pheiroijam Bino Singh S/o (L) Tomba Singh of -do-...O.P. Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

18th Feb. 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ৮৩ - লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ২৪৩ (অনৌবা), দাগ নং ২৯১গী পোইন্ট ০.৭৩ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদারশিং অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পানঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৫/০২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

HL-P/6439/19 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**